চেক রিপব্লিককী বারবোরো ক্রাইচিকোভা অমদি রসিয়াগী অনাষ্টেসিয়া পাব্লুচেনকোভানা নুপীগী ফাইনেল শান্নরগনি

পেরিস, জুন ১১ (এজেন্সী): চেক রিপব্লিককী শান্নরোয় বারবোরা ক্রাইচিকোভা অমদি রসিয়াগী অনাষ্টেসিয়া পাব্লুচেনকোভানা চহী অসিগী অনীশুবা টেন্নিস মশান্নগী খ্বাইদগী মমল য়াম্বা টুর্নামেন্ট মরিগী মনুংদা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচশিংদা বারবোরা ক্রাইচিকোভানা গ্রিসকী মারিয়া সাকারিবু অকনবা লম্বা অমদা ৭-৫, ৪-৬, ৯-৭ তা মায়থীবা পীরমখি। অমরোমদা, অনাষ্টেসিয়া পাব্লুচেনকোভানা মহাক্কী লম্বা ওইখিবী সর্ভিয়াগী তামারা জিদেনসেকপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭-৫, ৬-৩দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা কজাখষ্টানগী প্যের অলেকজেন্দর বুব্লিক অমসুং এন্দ্রি গোলুবেবনা ফ্রান্সকী প্যের পিয়ারি হুগেস হরবর্ট অমদি নিকোলাস মাহুটকা ফাইনেল শান্নরগনি। কজাখষ্টানগী প্যের অদুনা মখোয়গী সেমীফাইনেলদা স্পেনগী প্যের পাব্লো অন্দুজর অমদি পেদ্রো মার্টিনেজপু ১-৬, ৬-৪, ৬-৪দা মায়থীবা পীখি। অদুগা ফ্রান্সকী প্যের অদুনা মখোয়গী সেমীফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সিজন ওইনা শরুক য়ারকখিবা কলম্বীয়াগী জোন সেবেসিয়ন কবাল অমদি রোবর্ট ফারাবু য়াম্না নক্কবা লম্বাদা ৬-৭ (২-৭), ৭-৬ (৭-২), ৬-৪দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা য়ু এস এগী বেথানি মাটেক অমদি মমাংগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখিবী পোলেন্দগী আইগা সিৱাটেক অমদি চেক রিপব্লিককী প্যের বারবোরা ক্রাইচিকোভা অমসুং কেটেরিনা সিনিয়াকোভাগা শান্নগনি।

অথেংবদা শান্নবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমীফাইনেল মেটচতা গ্রিসকী ষ্টিফানোস সিসিপাসনা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেভপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা সেট ৫ চঙনা ৬-৩, ৬-৩, ৪-৬, ৪-৬, ৬-৩দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা সেন্ট্রেলাইজ এথলিট ইঞ্জ্যুরি মেনেজমেন্ট সিষ্টম লোঞ্চ তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুন ১১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইরিবা কিরেন রিজিজুনা ঙসি লৈবাক অসিগী শান্নবগী হীরমদা অনৌবা তাঙ্কক অমা শেমগৎতুনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা নৌনা শান্নরোয়শিংদা পীরিবা খূদোংচাবশিং অদুগা মান্ননা লৈবাক অসিদসু সেন্ট্রেলাইজ ওইবা এথলিট ইঞ্জ্যুরি মেনেজমেন্ট সিষ্টম লোঞ্চ তৌখ্রে।

সী এ আই এম এস (সেন্ট্রেলাইজ এথলিট ইঞ্জ্যুরি মেনেজমেন্ট সিষ্টম) হায়রিবা খোঙথাং অসিনা শান্নরোয়শিংনা শান্নবা মতমদা অশোক-অপন নংলকপা তাঞ্জাদা হকথেংননা মতেং পাংবা য়াবগী খূদোংচাবা ফংলগসু মখা তাবা অহেনবা মতেং পীননবগী ওনলাইনদা কান্নবা পীগদবা সিষ্টম অমা ওইরিবনি।

শান্নরোয়শিংনা শান্নরিঙৈ খক্তা নৎতনা ট্রেনিং চথরিঙৈ মতমদসু করিগুম্বা অশোক-অপন নংবগী তাঞ্জা লাকপা মতমদা সিষ্টম অসিগী মখাদা অহেনবা রিহেবিলিটেসন পীবগী খূদোংচাবা লৈগদৌরি। সিষ্টম অসিগী মখাদা ইন্দিয়াগী ওইনা লৈরিবা ইন্টরনেসনল শান্নরোয়শিং খক্তা নৎতনা অতোপ্পা নেসনলগী থাক্তা শান্নরিবা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনগী শান্নরোয়শিংনসু রেজিষ্টর তৌরবা মতুংদা মখোয়গী মায়কৈদগী অশোক-অপন নংলকপা মতমদা খূদক্কী নৎত্রবসু মখা তাবা মতেং পীগদবশিং অদু সিষ্টম অসিনা মতেং ওইগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা অদু ঙসি লোঞ্চ তৌখিবা সিষ্টম অসিগী কান্নবা কয়া অমা ফোঙদোকখিবা স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুগী ৱাফমদা য়াওখি।

হায়রিবা সিষ্টম অসি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা চল্লাইগদবা সিষ্টম অমা ওইরি। মসিদা লৈবাক অসিগী ওইবা মমিং লৈরবা স্পোর্টস মেদিসিনগী এক্সপর্টশিংনা মতেং পীদুনা শান্নরোয়শিংনা অশোক-অপন নংলকপা মতমদা অহেনবা এদভাইসশিং অদু ফংবা ঙমগদৌরি। মরুওইনা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা লৈঙাক্না খূৎশম্নরগা কুমজা ২০২৪ পেরিস ওলিম্পিক গেমসকী শেম শারিবা চহী নৌরিবা শান্নরোয়শিংনা ট্রেনিং চথবা অমদি শান্নবা মতমদা চাওনা কান্নবা পীরগনি হায়রি।

এসিয়ন গোল্ড মেদালিষ্ট বোক্সর ঙাঙোম দিঙ্কোনা লৈখিদবদা মখা তানা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস): ইন্দিয়াগী বোক্সিং পুৱারীদা অচৌবা কাখল অমা থম্বা ঙমখ্রবা ঙাঙোম দিঙ্কোনা ঙরাং লৈখিদবদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা শান্নবগী লূপশিংনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ঙাঙোম দিঙ্কো কুমজা ১৯৯৮ বেঙ্কোক এসিয়ন গেমসতা বোক্সিংগী গোল্ড মেদল ফংদুনা ইন্দিয়ানা এসিয়ন গেমসতা চহী কয়া মেদল ফংদনা লাকখিবা অদুগী রেকোর্দ থুগায়দুনা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা শান্নরোয় অমা ওইখি। হৌজিক-হৌজিক নুপীগী মালেমগী ৱর্ল্ড টাইটল কয়া লৌবা ঙম্লবী ওলিম্পিয়ন এম সী মেরি কোমনা ঙাঙোম দিঙ্কোবু মহাক্কী আইদোলনি হায়না হায়রিবনি।

দিঙ্কো লৈখিদবদা দি সোসল স্পোর্টিং ক্লব সেক্তাগী মায়কৈদগী পদ্মশ্রী, অর্জুনা এৱার্দী অমদি এসিয়ন গোল্ড মেদালিষ্ট ওইখিবা বোক্সর অসিনা লৈখিদবদা ক্লব অসিগা খূৎশম্নরগা ময়াই লোইশঙ অপূনবা পানা, অপূনবা মৈরা পায়বী অমসুং ভিলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটি সেক্তাগী থৌপাংলোয়শিং অমদি থৌমীশিংনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা দিঙ্কোগী ইমুং-মনুংনা থেংনরিবা অৱাবশিং অদুদসু শরুকয়াগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরিনা ঙসি থাদোরকপা অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমদা ঙাঙোম দিঙ্কোনা থা অসিগী ১০দা মশাগী অনাবনা মরম ওইদুনা লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী বোক্সর অসিবু ইকাই খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখি। অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবা বোক্সর অসিনা তাইবঙ মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবগীদমক থৌনীখিবগা লোয়ননা বোক্সর অসিগী লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি সুনিল কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সননা টোকিও ওলিম্পিক্স শৌগৎখ্রে

লন্দন, জুন ১১ (এজেন্সী): য়ুনাইটেদ কিংদমগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিহিদে সুগাগা উনরবা মতুং জপাননা কন্না হোৎনদুনা চহী অমা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা পাঙথোকপা ঙমখিদবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অদু চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা অসিগীদমক্তা অকনবা মওংদা মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইংলেন্দগী খা নোংচুপ্তা লৈবা কোনৱালগী কার্বিস বেদা পাঙথোকখিবা গুদ ওফ সভেন সমিটতা ফোঙদোকখিবনি। গ্রেট বৃটেনগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা মখা তারদুনা মহাক্কী লৈঙাক্কী মায়কৈদগী টোকিও ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপদা জপান লৈঙাক্না হোৎনরিবা কোভিদ-১৯ মনুংগী অকনবা থবক থৌরমশিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়না থাজবা থমখি। জপান লৈঙাক অমদি টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরশিংনা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগা পুন্না খূৎশম্নরগা চহী ১ য়ৈথোরক্লবা ওলিম্পিক গেমস অসি অশোয় অঙাম য়াওদবা মওংদা পাঙথোক্কনি হায়বগী খোঙথাং অদু বৃটেন লৈঙাক্নসু সপোর্ট তৌই হায়খি। অশোয়বা য়াওদনবা মপান লমগী ভাবোক অমত্তা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিদা মীৎয়েং তাবা য়াহল্লোইদৌরিবনি।

খেলো ইন্দিয়া সেন্টরগী খূদোংচাবা পীরকপদা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস): ইন্দিয়া লৈঙাক্কী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা শান্নবগী হীরমদা অহেনবা খূদোংচাবা পীননবগী লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংগী মনুং চন্না শেম্লিবা খেলো ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা মণিপুরগী ওইনসু তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা দিসিপ্লিন খল্লগা সেন্টর হাংনবগী অয়াবা পীরকপদা মণিপুরগী য়ুঠ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ অমসুং য়ুঠ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন মৈতৈবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেলগী জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং ভাইস প্রসিদেন্টনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না শান্নবগী লম্দা পুখৎলক্লিবা অচৌবা খোঙথাং অসিবু মতেং পীদুনা মণিপুরগী স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ অমসুং য়ুঠ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর টি ফুলেন মৈতৈনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর অমা হাংবা য়াবগী তাঞ্জা পীবা অদুদা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা স্কিম অসিগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদগী অফবা শান্নরোয় কয়া অমা নৌনা পুথোকপা ঙম্লগনি হায়খি।

ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট লালভুলেননা থাদোরকপা থাগৎ ৱাহৈ চেরোলদা মণিপুরগী স্পোর্টস মিনিষ্টর অমদি য়ুঠ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টিফুলেন মৈতৈগী থৌদাং অদুবু থাগৎলদুনা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টতা হাংদোক্কদৌরিবা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর অসিগী মতেংনা নহা ওইরিবা শান্নরোয় কয়া অমা নৌনা উবা ফংলগনি হায়খি।

অমরোমদা, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী সাহৈফুটবোলক্লবকী প্রসিদেন্ট গিগিন মাটেনা ফোঙদোরকখিবা থাগৎ ৱাহৈদা মনুং হুৎনা লৈরিবা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী শান্নববু পামজবা চহী নৌরিবা শান্নরোয় কয়া অমনা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা খেলো ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা সেন্টর হাংদোক্কদৌরিবা অসিনা মফম অদুগী শান্নবগী হীরমদা অনৌবা শক্তম অমা উবা ফংলগনি হায়খি।

য়ুরো ২০২০ মাংওইননা স্পেনগী ফুটবোল শান্নরোয়শিং কোভিদ-১৯গী সাইদইফেক্ট লাক্তনবা ভেক্সিন কাপথোকখ্রে

মাদ্রিদ, জুন ১১ (এজেন্সী): ঙসি নোংয়াই মতুংদগী শান্নবা হৌগদৌরিবা য়ুরোপ লৈবাক্কী খ্বাইদগী থাকৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ুরো ২০২০ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদৌরিবা লৈবাক অমা ওইরিবা স্পেনগী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিং অদুনা হৌজিক-হৌজিক মালেম শীনবা থুংনা মায়োক্নরিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভকী সাইদইফেক্টশিং অদু ঙাকথোক্নবগীদমক্তা চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা স্পেন লৈবাক্কী শান্নরোয়শিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফ পূম্নমক কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপথোকখ্রে হায়রি।

স্পেনগী টিম অদুনা নিংথৌকাবা নুমীৎতা য়ুরো ২০২০ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহানবা মেটচ অদু স্বিদেনগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। হায়রিবা মেটচ অদুগী মাংওইননা য়ুরো ২০২০ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুকয়াগদৌরিবা স্পেনগী ফুটবোল শান্নরোয়শিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিং অদুবু স্পেনিশ আর্মিগী মেম্বরশিংনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অদু কাপখিবনি হায়না স্পেন ফুটবোল টিমগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, স্পেন ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইরিবা সর্জিও বুস্কেটস হৌখিবা নোংমাইজিং নুমীৎতা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা টিম অদুগী শান্নরোয় অমদি সপোর্ট ষ্টাফ পূম্নমক আইসোলেসনদা লৈদুনা ট্রেনিং চথবগী খূদোংচাবা ফংখিদবনি।

মহাক্কী মতুংদা দিফেন্দর দিএগো লোরেন্টেসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী মখা তানা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ফংদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগা টিম অসিনা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২০ শরুক য়াবদা মখা তানা অহেনবা সাইদইফেক্টশিং লাক্তনবা ভেক্সিন অদু কাপখিবনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান জেবলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রানা শেম শাবা কম্পিটিসনদা শরুক য়াদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে

লিজবোন, জুন ১১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা নহা ওইরিবা জেবলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রানা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী শেম শাবা ওইবা পোর্টুগালগী কোনুং লিজবোনদা পাঙথোকপা সিদে দি লিজবুৱা এথলেটিক মীটতা মিটর ৮৩.১৮ লংলগা গোল্ড মেদল ফংদুনা মহাক্কী ওলিম্পিক্সকী শেম শাবদা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা নিরজ চোপ্রানা মহাক্কী করিয়রগী ওইনা লৈরিবা মিটর ৮৮.০৭গী রেকোর্দ অদু য়ৌবা ঙমদ্রবসু য়ুরোপিয়ন এথলিটশিংগা লম্বা তৌনবদা পোর্টুগালগী সিদে দি লিজবুৱা কম্পিটিসন অদুদা মায় পাকপা ঙমখি। মতম শাংনা নিরজ চোপ্রানা টোকিও ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবসু মীরমগী এথলিটশিংগা লেং থেংনদুনা লম্বা তৌবা ঙম্বগী খূদোংচাবা অদু কোভিদ-১৯ লাইচৎকী অথিংবশিং অসিনা ফংদনা লাকখিবনি। মহাক্লা পোর্টুগালগী কোনুং লিজবোনদা পাঙথোকপা কম্পিটিসন অদুদা মহাক্কী করিয়রগী ওইবা রেকোর্দ অদু য়ৌবা ঙমদ্রবসু মীরমগী শান্নরোয়শিং অদুগা লম্বা তৌমিন্নবদা অনৌবা থৌনা অমা ফংবা ঙমখি হায়রি।

মহাক্লা কম্পিটিসন অদুদা ৬শুবা অমদি অরোইবা থ্রোদা মিটর ৮৩.১৮ লংদুনা গোল্ড মেদল ফংখি। হায়রিবা কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা পোর্টুগালগী এথলিটশিংগী মনুংদা লিয়ান্দ্রো রামোসনা মিটর ৭২.৪৬ লংলগা অনীশুবা তাখি। অদুগা অতোপ্পা লৈবাক অদুমক্কী এথলিট ফ্রান্সিস্কো ফর্নান্দেজনা মিটর ৫৭.২৫ লংলগা অহুমশুবা তাখি। নিরজ চোপ্রাগী মায়কৈদগী কম্পিটিসন অদুগী অহানবা থ্রোদা মিটর ৮০.৭১ লংখি। অদুবু মহাক্কী মায়কৈদগী অনীশুবা অমদি অহুমশুবা থ্রো অদু ফাউল তাখি। লোয়ননা ৪শুবা অমসুং ৫শুবা থ্রোদা ফজবা ঙমখিদ্রবসু অরোইবা থ্রোদা মায় পাকপা ঙমখি।

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 137

FM Zhou, Qiyu (2229) - FM Gabriel, Robert (2236)
Titled Tuesday 20th Oct chess.com INT (7), 2020.10.20

1.e4 c5 2.Nf3 e6 3.d4 cxd4
4.Nxd4 Nf6 5.Nc3 Nc6 6.Nxc6 bxc6
7.e5 Nd5 8.Nxd5 cxd5 9.c3 d6
10.Bf4 dxe5 11.Bxe5 Bd7 12.Bd3 Qg5
13.Bg3 Bc5 14.Qc2 h5 15.h4 Qg4
16.Be2 Qa4 17.Qxa4 Bxa4 18.b3 Bc6
19.O-O-O O-O 20.Bxh5 Rac8 21.Kb2 Be7
22.Bf3 Bf6 23.Rc1 a5 24.a4 Rfd8
25.Rhd1 Rd7 26.h5 Rb7 27.Ka2...

QUESTION :

Black to win

Puzzle 136 Ans. :

38. ...Rd5 39.Rg7 Rxc3+The black rook deflects White's knight away from protecting the square d6. 40.Nxc3 Nd6#

38. ...Rd5 39. Rf7 Rxc3+ 40. Nxc3 Nd6#

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

কোভিদকী চৈথেংদগী মতেং খরা ওইনবা লৈঙাক্লা পীথরক্লিবা চেঙ মশীং শুনা ফংহনবীয়ু

মণিপুর লৈঙাক্কী ফেমিলি ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টতগী থোকখিবা চেরোলগী মতুংইন্না মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬মক্তা তোঙান-তোঙানবা কোভিদ-১৯গী মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অমসুং কোভিদ টেষ্ট তৌবীরিবা অমদি হীদাক কাপথোক্লবা হোৎনরিবা অসি য়াম্নমক অপেনবা ফাওজে। থৌরাং অসি অফবা খোঙথাং অমনি। অসিগুম্বা মাস টেষ্টিং তৌরিবা অসিদা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পীবীরিবা রিজল্ট অসি অরেপ্পা ওইবা ঙম্ব্রা। কনাগুম্বা মীওই অমনা থৌরম অদুদা পোজিটিভ ওইরে হায়দুনা নুংঙাইতনা লাক্লগা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা টেষ্ট তৌরুবদনা নেগেটিভ ওইবগী রিজল্ট পীরকপগী থৌদোক থেংনদবা য়াওদবসু নত্তে। রিজল্ট করিগী খেন্ননা লাক্লিবনো হায়বসিগী মরমদা মীচম মীয়ামদা খঙহনবা ফগনি। অসিগুম্বা থৌদোক মখা তানা থোক্তনবা চেকশিনহন্নিংই। মাস টেষ্টিং অমদি ভেক্সিনেসন তৌবগী থৌরমশিংদা শরুক য়াদবা য়ূম-য়ূমদা লোৎতুনা লৈবা মীওই কয়া অমসু লৈরি। মখোয়বু দিপার্টমেন্ট অমদি ক্লবকী মীওইশিংনা টেষ্ট অমদি ভেক্সিন তৌথোক্লবা থৌরাং পায়খৎপীরগদি অফবা ওইগনি। কোভিদগীদমক পীরক্লিবা চেঙ মশীং শুনা ফংনবা মরী লৈনবশিংনা হোৎনবীয়ু।

❒ **ওইনাম কুঞ্জেশ্বর, লাংজিং অচৌবা**

ক্লাস টেন অমদি ত্বেল্ভকী এগজাম পাঙথোকপা চুমগনি হায়না খল্লি

কোভিদ লাইচৎ থৌশাদবা অমদি চেকশিন্দবা য়াদে। অদুগা ক্লাস টেন, ত্বেল্ভকী এগজামসু লাইথোকপা য়াদে। কোভিদ লাইচৎ কিরিবনি হায়দুনা ২০২০-২১গী মরুওইখ্রবা এগজাম অনীসু পাঙথোক্তনা তোকপা চুমদে। লোকদাউন, কর্ফিয়ুনা শীন্থা লেপ্তুনা লৈরিবা লন্নাই অমসুং লৈঙাক্কী স্কুলশিং শীজিন্নরবদি এস ও পি নীংথিনা ঙাক্লা এগজাম পাঙথোকপা ঙমগনি। এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা লুচিংলগা লৈঙাক্না খূৎশম্ননা এগজাম থুনা লোইশিন্নবা অয়ূক-নুংথিল খায়দনা পাঙথোকপা য়াই। অসুম্না তৌরবদি পোজিসন লৌগনি খঞ্জরিবা মহৈরোয়শিংগী অনীংবসু থুংহনবা ঙমগনি। প্রমোসন পামজদবা, প্রমোসনদা ক্লাস কাবা হায়বসি অহিংবা ঙা মতুম মচীন্দা ইনশিল্লকপনি খঞ্জবা মহৈরোয়শিং কয়া অমসু লৈ। হয়েং মতম অমদা ২০২০-২১গী মীওই অমনা লৈঙাক পায়বা, দোক্টর, এঞ্জিনীয়র, ওফিসর ওইরকপা শোয়দনা য়াওরক্কনি। করিগুম্বা খূজিন খুনাম্থোক্তগী খজিক শোয়খিবদা মীয়ামগী নোক্লফম ওইগদৌরিবনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা মরী লৈনবা মীওইশিংগা তানবীদুনা এগজাম পাঙথোকহন্নিংই।

❒ **এল ইবোমচা, তাওথোং**

কোভিদনা ৱানরিঙৈ চৈরক অসিদা চেঙগী ৱাথোক লৈহল্লিবা অসি তশেংনমক লাইবক থীবনি

হায়নবা লৈ নুংশিৎ শীৎতনা উনা লেংদে, হৌজিক-হৌজিক মণিপুরদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ৱানরিঙৈ চৈরক অসিদা চেঙগী ৱাথোক লৈহল্লিবা অসি লাইবক থীবনি হায়জনিংই। মরম অদুনা মরী লৈনবা অমদি মকোক থোংবশিংগা লোয়ননা দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা য়েংশিনবীরগা ৱাথোক অসি লৈহনবীগনু। করিদগী ৱাথোক লাক্লিবনো থিজিনফম থোক্তবরা। তশেংনা ঐখোয়গী মণিপুরগী মীশীং অসি লাখ ২৮ খরা হেনবমুক ওইরগনি। এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬০ খায়দোক্তুনা লৈরিবনি। য়ারিবমখৈ মাগী-মাগী এ সী অদুগী মীহুৎশিংনা য়েংশিনবীবা চঙই। ৱাথোক অমা থোক্লবদি ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়জনিংই। পোলিটিকেলগী অখূবা মীৎয়েংদা লৌতানদুনা মীচম মীয়ামবু ৱাহনবদি লৈবাক ঈংনা-তপ্না পানবা ঙম্লোই। মীয়াম্নসু ঐখোয়গী লুচিংবা খনবদা ৱাখল খন্থবা চঙই। ঙসিগী কোভিদ-১৯গী চৈথেংনা ৱারবা মতম অসিদা সেন্টরনা পীরকপা ঙাইদনা এ সীশিংগী লুচিংবা ওইরিবা এম এল এশিংনা মাগী-মাগী ফুরিৎখাউদগী পুথোক্লগা চেঙ কেজি ৫/৫ ফাওবা য়েনবা করিগী ঙমদ্রিবনো?

❒ **দব্লিয়ু মাইপাক, নোংমৈবুং পুঙ মখোঙ**

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১২।০৬।২০২১ ইং, থাংজ;
ইঙাগী ২নি পানবা।

মেষ : অনম তানবা অমদি নাপল তৌবনা খৎননবগী মচাক ওইগনি-তপথৌ। নাইতোম ৱারেপ লৌগনু। নীংবা থুংবা অমদি নরল চাওখৎপদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

বৃষ : কিদবনা মায় পাকচবা অমদি ইমুং-মনুং তান্নবনা কান্নবা নুমিৎনি। অদুবু নরল অমদি মচা-ননাইগী লম্ অমদি ৱাফংনবদা চোপকনি-মীৱা থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মী থাজবা লুই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

মিথুন : নীংবা থুংগনি, লন চাওখৎকনি, লৌশিং তানশিনবা ঙমগনি অমদি পল্লম্বা অফবা থবক পাংবা ঙমগনি। হকচাংসু নুংঙাই অমদি মরুপ ফংজৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা লুনা খনবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কর্কট : অরাপ্পদগী নত্রগা অনৌবা মরুপ্তগী কান্নবা ফংজৌ হায়বা নুমিৎনি। অদুবু নীংবা মপা চারোই অদুনা নঙগী ওইবা মীদমক লোয়নবনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পাউদি তাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

সিংহ : মীকোক থোংগনি, হকচাং নুংঙাইগনি, খূদক্কী ৱারেপ লৌবা ঙমগনি অমদি অনীংবা থবক পাংবগী নুংঙাইজবা লৈগনি। মরুপ্নদি তাথিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

কন্যা : ৱা য়াম্না ঙাংবদি চোপ্পা, হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি য়েক্লবনা মাঙনবা শীনবা নুমিৎনি। কিদবা অমদি থৌনা ফবনা ওইজবদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - থৌনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

তুলা : লৌশিংতনা উপাই ওইগনি। মহৌশাগুম লোয়নবা মীগী মতেংনা থবক্তা মায় পাকচগনি। কিবা, চিংনবা অমদি অঙম্বনা য়েংথিবা লৈ-কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক : মীগী মতেং ফংজগনি অমদি চাদিং হন্থজবা ঙমগনি। অনম তানবা অমদি মীৱা লৌবনা মাঙজবা অমদি খৎন-চৈনবা থোকপা য়াই-চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

ধনু : ফিংবা অমদি হন্থবা লোয়নবনা খৎন-চৈনবা থোকপা য়াবা লৈরসু ফংগে খন্না তানবদি ফংগনি অমদি থবক পাংবৈ মীংচৎসু ফংবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

মকর : অচুম্বা চৎলদি লন চাওখৎকনি অমদি অফবা লৌশিং তানশিনবসু মতাং চাগনি। হোয়া ফবৈ কান্নগনি। অদুবু অঙম্বা/য়েক্লবনা তাথি-ৱা ঙাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

কুম্বা : ৱাচৎ ৱানোম কান্নগনি, অঙম্বনা চানবীগনি অমদি মরুপকা পুনবা থবক পাংগনি। মীতোপ্নদি তাথি অমদি হুৱানবদৈ চেকশিল্লু- চরাংনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন : য়েক্লবা লৈরম্লসু মাঙখ্রনি, পাইরক্কী লৌশিং চাওই-কনানসু লাকচবা ঙম্লোই। মীয়ামগী ৱাখল্লোনগা মান্ননা চৎলু। নীংবদি মপা চারোই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com